# কিরগিষ্টান্দা ওপোজিসন্না গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিং পায়শিল্লগা লৈঙাক্কী পাৱর পায়রে হায়না ক্লেইম তৌখ্রে

বিসকেক, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): কিরগিষ্টানগী ওপোজিসন গ্রুপশিংনা সেন্ট্রেল এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজিক ইম্পোর্টেন্স লৈবা সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী পাৱর পায়শিল্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্লেইম তৌখ্রে। পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী মতাংদা কেপিটেল বিসকেক্তা ওপোজিসন শৌগৎপশিংনা প্রোটেষ্ট চাউনা চত্থদুনা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিং কয়া কন্ট্রোল তৌশিল্লবা মতুংদা ক্লেইম অসি তৌখিবনি।



রসিয়ন এয়র বেজ অমা থল্লিবা অমসুং কনাদানা কন্ট্রোল তৌবা অচৌবা গোল্ড মাইন অমা লৈরিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট সুরোনবাই জিন্বেদকোভনা হায়খি মদুদি হৌজিক কিরগিষ্টানবু কূ চত্থরকপগী থৌওং অমা মায়োক্নরি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা প্রোটেষ্টরশিংদা নোংমৈ কাপ্তনবসু ওর্দর তৌখি হায়রি।

গভর্ণমেন্ট ষ্টেটমেন্টকী মতুংইন্না হৌখিবা অহিংদা থোক্লকখিবা মীখলগা মরী লৈনবা ঈরাংদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং মীওই ৫৯০না অশোক অপন নংখ্রে।

ওপোজিসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা করপসনগী মরাল কয়াদা জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অলমাসবেক অটন্বায়েটপু মখোয়না থাদোকখ্রে অমসুং মখোয়না প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী ৱাফম খন্নরি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অটন্বায়েটনা ওইররিক্লবা ফীভম অদুদা করি করি থৌদাং লৌগদগে হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমখিদে। অমরোমদা, হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা জিন্বেদকোভনা লৈঙাক্কী পাৱর থাদোক্লীংবগী ইঙ্গিৎ পীরকপসু উদে হায়রি।

চাইনাগা লোন্নরগা লৈরিবা কিরগিষ্টান অসি রসিয়াগা নকশিন্নবা মীচং লৈবাক অমনি। লৈবাক অসি মতম শাংনা মোস্কো, ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংগী মরক্তা চত্থরকখিবা জিওপোলিটিকেল কম্পিটিসনগী প্লেটফোর্ম অমা ওইদুনা লাকখি।

কিরগিষ্টানগী পোলিটিকেল পুৱারীদা ঈরাংগী থৌদোক কয়া থোকপা লৈখি। হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অনী ঈরাং হৌবশিংনা চিংথুখি। প্রোটেষ্টরশিংনা হ্বাইট হাওস হায়না খঙনবা মরু ওইবা গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিং কন্ট্রোল তৌশিনখিবা মতুং লৈবাকপোকপগী অয়ূক্তা কেপিটেল বিসকেক্তা মৈ চাক্লবা কার কয়া লৈমায়দা কোয়চাই চাইনা লৈবা উখি। বিল্ডিং অমসু মতম খরা মৈ চাক্লবা মতুংদা ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসশিংনা হোৎনদুনা মুথৎপা ঙমখি।

গভর্ণমেন্টকী চে চাংশিং অমসুং ওফিস ফর্নিচর য়াওনা বিল্ডিং অদুগী মনুংগী মৈ চাকখ্রগা লেমহৌবা শরুকশিং মপান্দা কোয়চাই চাইখি। প্রোটেষ্টর কয়ানা বিল্ডিং অদুদা থোমজিল্লগা পোৎ চৈশিং চাইখায়বা অমদি থুগাইবনচিংবা কয়া চত্থখি হায়রি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর কাস্কর জুনুসালিয়দ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থবক্কীদমক থোক্লকখিদ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অমা ওইরিবা হান্নগী সিনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা এক্টিং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ওইনা পুখ্রে। পুলিসতা সিটিজনশিং ঙাক শেন্নবা অমসুং থোকহন্নীংদবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অমদি পোৎ চৈ লুট তৌবনচিংবা থৌদোকশিং থিংনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না স্পোক্সমেন অসিনা মখা তাখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী রিজল্টশিংবু য়ানীংদবা উৎতুনা দিমোন্সত্রেসন চত্থখিবা মীওই লিশীং কয়া তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস অমদি ৱাটর কেনন শীজিন্নখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঈরাং হেন্না কনখৎলকখিবনি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা মীখলদা রুলিং পার্টিনা অরান অহুই কয়া চত্থখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীখল অদুগী রিজল্ট চৎনহন্দনবা দিমান্দ তৌখিবনি।

নোংচুপলোমগী ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোকখিবদা হান্নগী সোভিএট রিপব্লিক অসিগা রসিয়াগগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং শৌগৎপা পার্টি অনীদা মরু ওইবা সিটশিং শিন্নবগী মওং অমা মীখল অদু মমি তাখিবা অদু ভোট লৈবগী থৌওংশিং পাক শন্না চত্থবদগী থোকহনখিবনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়ন অমা হাৎখিবগী থৌদোক মীচং মীখাই নাইদনা থিজিন্নবা য়ু এননা আপিল তৌখ্রে

সিওল, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): হৌখিবা থাদা নোর্থ কোরিয়াগী ক্রুপশিংনা সমুদ্রদা ফিসরিজ ওফিসর অমা হাৎখিবগী থৌদোক্কী মতাংদা মীচং মীখায় নাইদনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থনবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইট ওফিসনা তকশিনখ্রে।




লৈখিদ্রবা সাউথ কোরিয়াগী মীওই অদুগী ইমুংনা য়ু এনদা মালেমগী ওইবা প্রোব অমা চত্থনবা তকশিনখিবা মতুংদা আপিল অসি তৌখিবনি। হায়রিবা ওফিসল অসি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লি রে-জিন হায়নসু খঙনৈ। হায়রিবা ওফিসল অসি থিবা খঙখিদ্রবা মতুং পুং ৩৬ লোম লৈরগা করম্না নোর্থ কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিংদা শিরগা তাওদুনা লৈরম্লিবনো হায়বগী মতাংদা য়েৎনবা অসি থোক্লকখিবনি।

সাউথ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না থিজিন হুমজিনবদা লিনা নোর্থ কোরিয়াদা চেন্নবা হোৎনখি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ইমুংনদি গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অসিদা য়ানীংদ্রি।

লি রে-জিননা সিওলদা লৈবা কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটসকী ওফিসকী মপান্দা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি নোর্থ কোরিয়াগী কা হেনবা মী ওৎ নৈবগী থৌওংশিং মহাক্না এক্সপোজ তৌবা অমদি থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ু এনবু মীচং মীখায় নাইদবা অমদি ফজবা মওংদা ওবজেক্টিভ ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থহনবা পান্মী।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা সিওলদা লৈবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি কোরিয়া অনীমক্না য়াম্না থুবা, মীচং মীখায় নাইদবা অমসুং ইফেক্টিভ ওইবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোকফম থোকই। ইনভেষ্টিগেসন অদুগী ফাইন্দিংশিং মীয়ামদা খঙহনগদবনি। তৌইগুম্বসুং থিজিন হুমজিনবগী থবক অদুদা য়ু এননা থৌদাং লৌবগী ৱাফমদি য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখিদে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাংগী শরুকশিং ইমুং মনুংদা হন্নবগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াগা এনগেজ তৌফমসু থোকই হায়নসু য়ু এন ওফিসনা ফোঙদোকখি।

লি রে-জুনগী চহী নৌরিবা মচানুপানা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনদা লেটর অমা ইদুনা গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী মপাগী পুন্সি কনবা ঙমখিদে হায়না মরাল শীখি।

# জর্মন প্রোসিক্যুটরশিংদা কেমিকেল এটেকশিংগী মতাংদা য়েংশিন্নবা হায়জখ্রে

বর্লিন, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): সিরিয়াদা কেমিকেল খূৎলায়না শোকহল্লবা ভিক্টিমশিংবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা জর্মন উকিলশিংনা ফেদরেল পব্লিক প্রোসিক্যুটরদা রেবেলশিংনা খুদুম চল্লিবা সিরিয়াগী মফম কয়াদা মীচম চা কয়া শিহনখিবদা চেন্নবা সিরিয়ন ওফিসলশিংগী মায়োক্তা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্টশিং ফাইল তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন ৬০০০০০না চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা জর্মনিগী য়ুনিভর্সিএল জুরিসদিক্সন ওইবা লোশিং লৈ। লোশিং অদুনা লৈবাক অসিবু মালেমগী মফম কয়াদা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইমশিংগীদা চেন্নবা মীওইশিং প্রোসিক্যুট তৌবা য়াহল্লি।


নোংচুপলোমগী পাৱরশিংনা সিরিয়াগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল ত্রাইব্যুনেল অমা লিংনবা হোৎনবা কয়া য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা রসিয়া অমসুং চাইনানা থিংখি। প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকী সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা সিরিয়ন মীচমশিংগী মায়োক্তা কেমিকেল খূৎলায়শিং শীজিন্নখি হায়বা ৱাফম হঞ্জিন হঞ্জিন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

কমপ্লেন্ট অদু সবমিট তৌখ্রে হায়বসি পব্লিক প্রোসিক্যুটর জেনরেল (জি বি এ) গী স্পোক্সমেন অমনা খুদক্কী ওইনা কনফার্ম তৌরকখিদে হায়রি।

প্রোসিক্যুটরশিংনা অসাদ রেজিমগী মেম্বরশিং ফানবগী ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌনবা মখোয়দা ইভিদেন্স মতিক চানা লৈরে নৎত্রগা লৈত্রি হায়বসি খঙদোক্লগনি হায়না কমপ্লেন্টশিং অদুবু থাঙ্গৎলিবা ওর্গনাইজেসন অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা ওপন সোসাইটি ফাউন্দেসন্স জষ্টিস ইনিসিএটিভকী উকিল ষ্টিভ কোষ্টাসনা ফোঙদোকখি।

# পোম্পিওনা টোকিওদা চাইনাগী মায়োক্তা এসিয়াগী মীচংশিংগী সপোর্ট হেনগৎহন্নবা হোৎনখ্রে

টোকিও, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): চাইনাগী খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা অমসুং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা রিজনেল ইথিল পীবগী থৌওংগী মায়োক্তা মীচং খোম্বা ওইনা ৱাশিংটনগী খ্বাইদগী নক্লবা এসিয়াগী মীচং লৈবাকশিং ওইরিবা জপান, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়াগা ৱা তান্ননবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও টোকিওদা থুংখ্রে।



মোঙ্গোলিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াদা চৎকদবা খোঙচৎশিংসু য়াওরিবা পোম্পিওগী এসিয়া খোঙচৎ অদু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী তেনশিনখিবনি। কুমজা ২০১৯গী জুলাইদগী হৌজিক ফাওবদা খোঙচৎ অদু পোম্পিওগী ইষ্ট এসিয়া খোঙচৎনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ষ্টেটেটিক রাইভেল চাইনাগী মরক্তা মুক্লবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা পোম্পিওনা খোঙচৎ অদু পাঙথোরক্লিবনি। নোংমগী ওইবা খোঙচৎ অদুদা ক্বাদ গ্রুপিংদা য়াওবা লৈবাকশিং হায়বদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ওষ্ট্রেলিয়া, ইন্দিয়া অমসুং জপানগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমসু য়াওরি।

ৱাশিংটন্না বৈজিংগী মায়োক্তা এসিয়াগী মীচং লৈবাকশিংগী মরক্তা অচৌবা সপোর্ট শেমগৎনবা হোৎনরক্লিঙৈ অসিদা এনালিষ্টশিংনা হায়রিবদি চাইনাগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা শেল থুমগী মরীশিংনা মরম ওইদুনা বৈজিংগা হকথেংননা মুক্লবা পামদে হায়বসিনি।

পোম্পিও অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা মেরিস পাইনগী মরক্তা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবদা লুচিংবা অনীনা চাইনানা এসিয়াগী মফম কয়াদা ইথিল পীবা হেনগৎনবা হোৎনরিবা কয়াদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট অমসুং ফোরেন মিনিষ্টরনা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা লমদম অদুদা চত্থরক্লিবা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা থৌওংশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং পাইনগী ষ্টেটমেনট অদুদা চাইনাগীদি পনখিদে। পোম্পিওনা জপানগী ফোরেন মিনিষ্টর উনখি অমসুং জপানগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর য়োসি হিদে সুগানা ৱাশিংটন অমসুং টোকিওগী মরক্তা লৈরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

# পাকিষ্টানগী ওপোজিসন এলাইন্সনা এন্টি-গভর্ণমেন্ট কেম্পেয্যন হৌরগনি

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী ওপোজিসন পার্টি ১১গী এলাইন্স অমা ওইরিবা পাকিষ্টান দিমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পি দি এম) না ওক্টোবর ১৬তা ক্বেটাগী মহুত্তা গর্দনৱালাদা পব্লিক মীটিং অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মখোয়গী এন্টি-গভর্ণমেন্ট কেম্পেয্যন হৌনবী মতুংইন্না লোঞ্চ তৌরগনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পি দি এমগী ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মীফমদা হান্না লৌরিবা ৱারেপশিংগা চান্ননা অহানবা তাঙ্ককী শরুক অমা ওইনা প্রোভিন্স মরিদা পাঙথোক্কদবা পব্লিক মীটিং তরুক্কী সেদ্যুল অমা রিলিজ তৌখি।

দোন ন্যুজকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০দা কেপিটেল ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা মল্টি পার্টি কনফরেন্সতা ওপোজিসন মুভমেন্ট অদুগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা মীফমশিংগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

ষ্টিয়ারিং কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু কম্মিটি অসিগী কনভেনর ওইরিবা পাকিষ্টান মুসলিম লীক-নৱাজ (পি এম এল-এন) গী কনভেনর আশম ইকবাল অমসুং পি দি এমগী অতৈ পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা মীদিয়া ব্রিফিং অমদা লাউথোকখিবনি।

ইকবালগী মতুংইন্না অনীশুবা পব্লিক মীটিং ওক্টোবর ১৮দা করাচিদা পাঙথোক্কনি, অহুমশুবা মীটিংনা ক্বেটাদা ওক্টোবর ২৫দা পাঙথোক্কনি, মরিশুবা মীটিংনা পেসৱারদা নবেম্বর ২২দা পাঙথোক্কনি, মঙাশুবা মীটিং অদুনা মুলটান্দা নবেম্বর ৩০দা অমসুং অরোইবা মীটিংঅদুনা দিসেম্বর ৩০দা লাহোরদা পাঙথোক্কনি।

এলাইন্স অসিনা জামিয়দ উলেমা-আই-ইস্লাম-ফাজল (জে য়ু আই-এফ) কী চীফ মৌলানা ফজলুর রেহমনবু অহানবা ফেজকী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবনি।

# থিংজিল্লুরবা হায়দরবাদ জু অমুক হাংখ্রে

হায়দরবাদ, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): হায়দরবাদকী মরু ওইবা টুরিষ্ট এট্রেক্সনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নেহরু জুলোজিকেল পার্ক থা ৭ থিংলুরবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অমুক হন্না হাংখ্রে।

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা সেফটিগী থৌরাংশিংগী মরক্তা জুগী গেটশিং অদু নৌনা অমুক হাংখিবনি। ভিজিটরশিং লাকপগী চাং য়াম্না নেম্লবসু ওথোরিটিশিংনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মী লাকপগী চাং হেনগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল জু ওথোরিটি অমসুং চীফ ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেন, টেলঙ্গনানা এপ্রুভ তৌবা কোভিদ-১৯ প্রোটোকোলগী মতুংইন্না ভিজিটরশিং, ষ্টাফ অমসুং শাশিংগী সেফটিগীদমক জু ওথোরিটিশিংনা চেকশিন থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎখি। জুদা লাক্লিবা মীওইশিংবু তঙাইফদনা মাস্ক শীজিন্নহনবগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহনখি।

হকচাংগী টেম্পরেচর ৱাংবা অমসুং কোভিদকী লায়ওংশিং ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওইশিং জুদা চঙহল্লোই হায়রি। চহী ১০গী মখা ওইবা অঙাংশিং অমসুং চহী ৬৬কী মথক ওইবা অহলশিং মরু ওইনা চয়োলগী অরোইবা নুমিৎশিং অমসুং পব্লিক হোলিদেশিংদা জুদা লাক্তনবা পাউতাক পীরি।

অহানবা ফেজদা শুপ্নগী এনক্লোজর/মোদশিংদমক ভিজিটরশিংদা চঙবা য়াহনখি। শাফারি পার্ক, নোক্টর্নেল এনিমেল হাওস, রেপটাইল হাওস, এক্বারিয়ম, ফোসিল ম্যুজিয়ম, নেচরেল হিষ্ট্রি ম্যুজিয়ম অসিনচিংবদি মতম খরগী তুংদা হাংগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। ওথোরিটিশিংনা ভিজিটরশিংবু জুগী ৱেবসাইটতগী নৎত্রগা মোবাইল এপ অমা ইন্সটোল তৌরগা মখোয়গী টিকেট বুক তৌনবা খঙহনখিবা লৈবনা টিকেট কাউন্টরশিংগী মশীং হান্না ১২ লৈরম্বদগী ৬তা হন্থখি। ভিজিটরশিং চঙহনদ্রিঙৈগী মমাঙদা জুগী ষ্টাফনা মখোয়বু থর্মেল স্ক্রিনিং তৌখি।

# গোল্ড স্মগ্লিং কেসতা এন আই এনা কেস দাইরি কোর্টতা সবমিট তৌখ্রে

কোচি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): ৱাথোক ওইরবা কেরলা গোল্ড স্মগ্লিং কেসতা কোচিদা লৈবা স্পেসল এন আই এ কোর্টনা কন্না তকশিল্লকখিবগী মতুংইন্না নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিগী প্রোব টিমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোর্ট অসিদা কেস দাইরি সবমিট তৌখ্রে।

কেস অদুগা মরী লৈননা এন আই এনা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টকী সেক্সন খরা হাপচিনখিবগী মওংদা কোর্ট অসিনা নুংনাংবা উৎখিবগা লোয়ননা প্রোব টিম অদুদা মখোয়গী থবক্তা অমকপা অমত্তা লৈহন্দনবা ফোঙদোকখি।

এন আই এনা কেস অদুগা মরী লৈননা ফারবা মীওই ৩০গী মনুংদগী মীওই ৮না থারকখিবা বেল পিটিসনশিংগী মতাংদসু এন আই এগী কোর্ট অদুনা অকনবা ৱাফম খরা থমখিবগা লোয়ননা এজেন্সি অসিদা কেস দাইরি অদু পীখৎলক্লবা হায়খি। মদুগী তুংদা এন আই এনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সবমিট তৌখিবা এফিদেভিটতা দুবাইদা লৈবা এক্যুজ অনী ফাইজল ফরিদ অমসুং রাবিন্স য়ু এ ঈ পুলিসনা ফারবা মতুংদা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লি হায়না পনখি। এন আই এনা মখা তারদুনা দুবাইদা ফারিবা মীওই ২ য়াওনা মীওই ৬কী মায়োক্তা ইন্টর পোলগী খূথাংদা ব্লু কোর্নর নোটিশ অমা মখোয়না ইস্যু তৌখ্রে হায়নসু ফোঙদোক্লি।

# পাৱর প্লান্ট মৈ চাকপদা এঞ্জিনিয়র অমা শিরে

বেঙ্গালুরু, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): য়েলাহঙ্কাদা লৈবা মেগাৱাট্ট ৩৭০গী গ্যাস বেজ কম্বাইন্দ সাইকল পাৱর প্লান্ট পোকখায়বগা লোয়ননা মৈ চাকখিবগী থৌদোক অমদা ফীভম লুনা মৈ চাক্তুনা শোকখিবা এঞ্জিনিয়র অনীগী মনুংদা অমা লৈখিদ্রে।

পুলিসকী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদু জেনরেল ইলেক্ট্রিক্কী বলাজি মুরুগান কৌবা মীশক অমনি হায়বসি খঙবা ঙম্লে। মীওই অদু বেঙ্গালুরু সিটিদা লৈবা ভিক্টোরিয়া হোস্পিটালগী বর্ন্স ৱার্দতা এদমিট তৌখিবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিংদা লৈখিদবনি। কর্ণাটাকা পাৱর কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মেগাৱাট্ট ৩৭০গী গ্যাস পাৱর প্লান্ট অদুদা থবক তৌবা ষ্টাফশিংগী মনুংদা য়ামদ্রমদা মীওই ১৫ ওক্টোবর ২গী নোংঙাল্লমদাইদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখি।

প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা বিয়ারিং অমদগী থাও লিক ওইরকপদগী মৈ হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই অমসুং চেম্বরদগী লাকখিবা মৈরি অদুনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না কে পি সী এলনা ক্লেইম তৌখি। শাখিরবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা এনালাইসিষ্ট চত্থরি। মপূং ফানা শাবা লোইশিন্দ্রিবা কম্মিসন তৌগদবা খরা ৱাৎলিবা য়েলাহঙ্কাগী কম্বাইন্দ সাইকল গ্যাস পাৱর প্লান্ট অদু ভারত হেভি ইলেক্ট্রিকেল লিমিটেদ (ভেল) না শারিবনি।

কর্ণাটাকা ষ্টেট ফায়র এন্দ ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসকী দিরেক্টর কে সিবকুমারনা কে পি সী এলগী য়েলাহঙ্কাদা লৈবা কম্বাইন সাইকল পৱার প্লান্ট (মেগাৱাট্ট ৩৭০) তা এঞ্জিনিয়রশিংনা গ্যাস টরবাইন চেম্বর অমদা চাংয়েং খরা পাঙথোক্লিঙৈদা হিট ব্লাষ্টকী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। প্লান্ট অদুগী ওপরেসনশিং লাক্লিবা দিসেম্বরদা কম্মিসন তৌনবা থৌরাং তৌরম্বনি। এঞ্জিনিয়রশিংনা টেষ্ট তৌরিঙৈ মনুংদুদা প্রেসরগী অহোংবশিং মুন্না ওবজার্ভ তৌহৌদবদগী থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# যোগি অদিট্যানাথ গভর্ণমেন্টনা হথ্রাসকী ভিক্টিমগী ময়ূম অয়ূক নুংথিল খাক্তনা ঙাক শেলহনখ্রে

লক্ষনৌ, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না হথ্রাসকী ভিক্টিম অদুগী ময়ূমদা নুপী সব ইন্সপেক্টর অনী অমসুং নুপী কন্সটেবল তরুক থমদুনা ঙাক শেলহনখ্রে হায়না হথ্রাসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস বিনিট দেসৱালনা ফোঙদোকখ্রে। ইমুং অদুনা গভর্ণমেন্টতা মখোয়বু ঙাক শেনবীনবা হায়জরকখিবা মতুং খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।



ভিক্টিম অদুগী মবুংগী সিক্যুরিটিগীদমক্তা সিক্যুরিটি পর্সনেল অনী দিপ্লোই তৌরে। প্রোভিন্সিএল আর্মদ কন্সটেব্যুলরিগী পর্সনেলশিংসু য়ূম অদুগী মপান্দা ঙাক শেন্দুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মসিদা নত্তনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা থিংনবগীদমক পুলিস পর্সনেল ১৫, ষ্টেসন হাওস ওফিসর অহুম অমসুং দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমা ভিলেজ অদুদা দিপ্লোই তৌরি হায়নসু এস পি অসিনা ফোঙদোকখি।

ভিক্টিম অদুগী ইমুংগী মীওইশিংনা মখোয়গী সেফটিগী মতাংদা অকিবা পোক্লে হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোঙদোকখিবনি। মখোয়না খুঙ্গং অদু থাদোক্তুনা অতৈ মফমদা লৈবা পাল্লে হায়না ফাওবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কেস অদুগী এক্যুজ মরিগী সপোর্টরশিংনা কিহল্লকপদগী ঐখোয়দা অকিবা পোক্লে। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসি ঐখোয়গীদমক্তদি অরুবা ফীভমশিং মায়োক্লরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরি হায়না ভিক্টিম অদুগী মবুংনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরবা ভিদিও অমদা অপ্পর কাষ্টকী মীওই খরনা ভিক্টিম অদুগী ইমুংদা কিহনবগী খোঞ্জেলশিং তাবা ফংখি হায়রি। মখোয়না ক্রাইম অদুগা মরী লৈননা ফারবা মীওই মরি অদুবুসু দিফেন্দ তৌখি হায়রি।

# স্পেসল কোর্টনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর দিলিপ রায় কোল স্কাম কেসতা কনভিক্ট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): স্পেসল কোর্ট অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর দিলিপ রায় অমসুং অতৈ মীওই কয়া কোল স্কাম কেস অমগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌখ্রে। কেস অদু কুমজা ১৯৯৯দা ঝরখাণ্ডগী কোল ব্লোক অমগী এলোকেসন্দা অরান অহুই কয়া তৌখিবগা মরী লৈনৈ।

স্পেসল জজ ভারত প্রসাদনা মহাক্কী জজমেন্টতা হান্নগী অটল বিহারি বাজপায় গভর্ণমেন্টদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (কোল) ওইখিবা রায়বু ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা লৌতুনবা অমদি অতৈ ওফেন্স কয়াগী মরাল লৈরে হায়খি।

জজমেন্ট অদুগী মতুংইন্না মিনিষ্টরনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মহুৎ শিন্দুনা পৱার এক্সর্সাইজ তৌবা হায়বসি লোগী দিরেক্সন মতুংইন্না পাঙথোক্কদবনি অমসুং মিনিষ্ট্রি অদুদা মহাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ওফিসরশিং লোগী মতুংইন্না মখোয়গী থবক্তু তৌহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মিনিষ্টর অমা ওইনা মহাক্কী মথৌদাংনি।



দিলিপ রায়না পুকচেল শেংদবগী থৌওং অমদা নন-নেসনেলাইজ কোল মাইনিং এরিয়া অদুবু কম্পেনি এম/এস সী টি এলদা এলোকেসন তৌবদা মতেং পাংখি হায়বসি ইভিদেন্স কয়াদগী য়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে। থৌওং অদুনা লোগী দিরেক্সন থুগাইখি। অসুম্না মহাক্না কোল মাইনিং এরিয়া অদুবু এম/এস সী টি এল হায়রিবা কম্পেনি অসিনা শীজিন্নবা য়াহনখি হায়না জজমেন্ট অদুদা মখা তানা পনখি।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী স্পেসল কোর্ট অসিনা মতমদুগী কোল মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অনী হায়বদি কেষ্ট্রোন টেক্নোলোজিস লিমিটেদ (সী টি এল) গী নিত্যানন্দ গৌতম অমসুং প্রদিপ কুমার বেনর্জি লোয়ননা কম্পেনি অসিগী দিরেক্টর মহেন্দ্রকুমার অগরৱালা অমদি কেষ্ট্রোন মাইনিং লিমিটেদ (সী এম এল) পুসু কনভিক্ট তৌখি। লাক্লিবা ওক্টোবর ১৪দা কোর্ট অসিনা পীগদবা চৈরাক্কী চাংগী অর্গুমেন্টশিংগী মতাংদা হিয়ারিং তৌগনি।